# সনরাইজর্স হায়দরবাদনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ৮৮দা ৪৭শুবা মেচ অদু চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি দুবাইগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৭শুবা লীগ মেচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ৮৮দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

সনরাইজর্স হায়দরবাদ মমাংগী মেচ ১১ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেচ ৪ মায় পাক্লগা ৭ মায়থীদুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা টিম ৮গী লম্বাদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা দিল্লি কেপিটেলসকী টিম মেচ ১১ শান্নবদা ৭ মায় পাক্লগা মরি মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা নেট রন রেটতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সতগী পোজিসন অমা হন্থরগা ২শুবদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস দিল্লি কেপিটেলসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা অপীবা ওভর ২০দা শুপ্নগী ৱিকেট ২খক আউট ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর অদু রন ২১৯ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমসুং রিদিমান সাহানা ওভর অমদা রন ১০গী চাংদা লৌদুনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ১০৭ লৌখি। ১০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱার্নর রন ৬৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক বোল ৩৪ মায়োক্লখিবা অদুদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরমখি। মানিশ পান্দেনা মহাক্কী মহুৎ শিনখি। সাহাগা লোয়ননা পান্দেনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ৬২ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর অদু ১৭০ য়ৌহনখি। সাহা বোল ৪৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১২ য়ৈরগা রন ৮৭ লৌরমখি। অদুগা পান্দে আউট ওইদনা বোল ৩১দা রন ৪৪ লৌরগা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ২১৯ য়ৌহনখি।

দিল্লি কেপিটেলসনা মায় পাক্নবা রন ২২০ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটচমেন ১০মক ১৯শুবা ওভরদা রন ১৩১ খক লৌখিবদগী মখোয় রন ৮৮দা মায়থীবা নংখিবনি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটচমেন রিসব পন্থনা রন ৩৬ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ওপনর অজিনকিয়া রহনেগী রন ২৬ অমসুং ৯শুবা বেটচমেন টুসার দেশপান্দেগী রন ২০ পনবা য়াই। সনরাইজর্সকী মায়কৈদগী রসিদ খাননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৮শুবা মেচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং রোয়ল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোর শান্নগনি।

# মণিপুর অমসুং অসাম ষ্টেটতা কেভিদ-১৯গী কাঙলোন ঙাক্লা হোক্কি শান্নরোয়শিংনা ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবা হৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনরিবা কোভিদ-১৯কী ষ্টেনদর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী কাঙলোন পুন্নমক ঙাক্লা মণিপুর অমসুং অসাম ষ্টেটতা লৈরিবা হোক্কি মশান্নগী শান্নরোয়শিংনা লোকদাউনগী অথিংবা মতুং অয়াবা খরা লৈরকপদগী ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবা হৌখ্রে।

মণিপুর হোক্কিগী মখাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংগী মখাদা লৈবা চহী ১৮মখা অমসুং চহী ২০ মখাগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয় ১৫০ হেনবনা মশান্না অসিদা শান্নবা হৌখ্রে। ষ্টেট অসিনা নুমিৎ ২১নিগী ওইবা কোচিং সেসনশিং পাঙথোক্লনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখ্রে।

হোক্কি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা বসুদেবনা ফোঙদোরকখিবদা মণিপুরদা শান্নবগী থবক থৌরমশিং মখাতানা পাঙথোকপা য়ারকপা অসিদা নুঙাইবা ফাওই। লোকদাউন লৈরুবা মরম্না য়াম্লবা থা কয়া অমা শান্নরোয়শিং ময়ুম ময়ুমদা লৈনখিবদগী মখোয়দা হান্না লৈরম্বা স্কিল কয়া অমা কাউথোকপগী তাঞ্জা লাকখি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোকদাউন কোমথোকপগী পরম অমা পুথোরক্তুনা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা থৌনা অমা পীরে হায়খি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী টিমগী শান্নরোয়শিং হৌজিক-হৌজিক বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ট্রেনিং চথুরি।

অসাম ষ্টেটতসু চহী ১৬কী মখা অমসুং চহী ১৯ মখাগী হোক্কি শান্নরোয় ১০০রোম শান্নবা হৌননবা ষ্টেট অদুগী মায়কৈদগী অয়াবা লৈখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংদা শেম শাদুনা লৈখ্রে হায়না হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অসাম হোক্কিগী জেনরেল সেক্রেটরি টপন কুমার দাসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদসু এস ও পি ঙাক্লা লৈঙাক্কী কাঙলোন অদুগী মতুং ইন্না শান্নরোয়শিং অদুনা হোক্কি মশান্না অদুদা হান্না লৈরম্বা ফিভম অদু য়ৌরক্নবা বেসিক ওইবা ট্রেনিং অমসুং প্রেক্টিস চথবনা অহানবা খোঙথাং ওইরগা মখা তাবা শান্নবগী খুদোংচাবা অদুসু লৌখৎনবা শেম শারি হায়খি।

# এ সী মিলান অমসুং রোমা পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখ্রে

রোম, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): ইটলিগী সেরি এদা মাংজিল থাবা ঙন্নিবা ফুটবোল ক্লব এ সী মিলান অমসুং রোমা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পাঞ্জল ৩-৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

মমাংদা এ সী মিলাননা মেচ ৪ শান্নবদা ৪মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ১২ ফংদুনা টিম ২০গী টুর্নামেন্ট অদুদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিবনি। অমরোমদা, রোমাগী টিম মেচ ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা অনী মায় পাক্লগা দ্রো অমা চৎখিবগা লোয়ননা মেচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ খক্তং চঙশিল্লকপদা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় ইব্রাহিমোবিচনা টিমমেট রফেলনা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল চনখি। রোমাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ইদিন জেকোনা লোরেঞ্জোগী বোলদা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

৪৭শুবা মিনটতা এ সী মিলানগী এলেসিসনা রফেলগী পাস অমদা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। অদুবু রোমাগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদু ৭১শুবা মিনটতা জোর্দাননা পেনাল্টি অমদগী চনবা ঙমখি।

৭৯শুবা মিনটতা এ সী মিলানগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইব্রাহিমোবিচনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা রোমাবু ৩-২দা হেল্লগা লৈখি। অদুবু মিনট ৫গী মতুংদা রোমাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা মরাস কুম্বুলানা ৮৪শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা দ্রো চৎখি।

# টোটেনহাম হোটস্পরনা বর্নলিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনবদা টোটেনহাম হোটস্পরনা বর্নলিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

বর্নলিগী হোম গ্রাউন্দ টর্ফ মুরদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৬শুবা রাউন্দগী মেচ অদু টিম অনীমক হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা মায়োক্লখি।

পনবা য়াবদি, টোটেনহাম হোটস্পর মমাংগী মেচ ৫ শান্নখিবদা মেচ ২ মায় পাকপা ঙমখ্রবা মতুং মেচ ২ দ্রো চৎলগা মেচ অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, বর্নলিনা মেচ ৪ শান্নখিবদা ৩ মায়থীরগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১ ফংলগা ১৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী বর্নলিগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবশিং অদু কান্নবা ফংবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা পুংখায় অমরোমগী মতম চঙশিল্লকপদা হোটস্পরগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা হেরি কেননা পুশিল্লকপা বোল অমদা মতাং মতম চানা চেনশিল্লকখিবা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়া মচা হিয়ুং মিন সোন পাঞ্জল চন্দুনা বর্নলিবু ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল শোথরবা বর্নলিগী মায়কৈদগী মখা তাবা মেচকী মতম অদুদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীবা নংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা এবর্টন অমসুং লিভরপুল পোইন্ট ১৩/১৩ ফংলবসু এবর্টননা গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা মাংজিল থারি।

# লিভান্টে অমসুং সেল্টা ভিগো পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): স্পেনগী লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা টিম ২০না লম্বা তৌনরিবা অসিগী পোইন্ট টেবলদা মমৈদা লৈরিবা টিম অনীগী লম্বাদা লিভান্টে অমসুং সেল্টা ভিগো পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

সেল্টা ভিগোগী ওইনা মমাংদা শান্নখিবা মেচ ৬তা শুপ্নগী মেচ অমা মায় পাক্লগা মেচ ৩ মায়থীবা নংখিবা অমদি অতোপ্পা মেচ ২ দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৫ ফংদুনা ১৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, লিভান্টেগী টিম মখোয়না শান্নখিবা মেচ ৫দা মেচ ১ মায় পাক্লগা মেচ ৪ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৩দা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং মায় পাক্নবা পুশিন্নরকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা মিনট ৪৫গী মতম অদু পাঞ্জল অমত্তা লৈতনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা লিভান্টেগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা সেল্টা ভিগোগী দিফেন্দরশিংনা কাঙলোনগী ৱাংমদা বোল মুন্ননবা পেনাল্টি এরিয়াদা চথুখিবা থৌওং অদুনা লিভান্টেগী পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় রোজরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজিল থাবা ঙমখি।

সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙখিদে। ৫২শুবা মিনটতা দেনিস স্বারেজনা পীরকপা বোল অমদা সর্জিও কারৈরানা ইক্কেলাইজর অদু চনখি।

# লিওননা মোনাকোবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লিওননা মোনাকোবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিওনগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী রাউন্দ ৭ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মেচ ২ মায় পাক্লগা ৪ দ্রো চৎলবা মতুং অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, মোনাকোগী টিম মেচ ৭ শান্নবদা ৩ মায় পাকপা ঙমখি। মেচ ২ দ্রো চৎখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ ২ অমনা মায়থীবা নংদুনা পুন্না পোইন্ট ১১ ফংলগা ১২শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অয়াম্বা শরুক লিওননা মোনাকোবু খূদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফতা লিওনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু মেচকী ১২শুবা মিনটতা হোসেম ওরনা পীরকপা বোলদা মেমফিস দিপেনা চনখিবনি। মখা তারকপদা মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা লিওনগী অতোপ্পা শান্নরোয় কার্ল টোকো ইকম্বীনা টিমমেট টিনোনা পীরকপা বোলদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা মেচকী ৪১শুবা মিনটতা লিওননা ফংখিবা পেনাল্টি অমা হোসেম ওরনা চন্দুনা ওইখিবনি। মোনাকোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবগী পাঙ্গল ফুদোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৪৪শুবা মিনটতা ইকম্বীনা পাঞ্জল ১গসু চল্লগা ৪-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা মোনাকোগী বেন য়েদরনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল ১ চল্লগা লোইশিনখি।

# বেয়র লেবরকুসেননা ওক্সবর্গপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে

বর্লিন, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বেয়র লেবরকুসেননা ওক্সবর্গপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লেবরকুসেন মমাংগী মেচ ৪ শান্নখিবদা ১ মায় পাক্লগা মেচ ৩ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা ১২শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ওক্সবর্গকী টিম মেচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা মেচ ১ দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরমখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী হৌরকপা টিম অনীগী শান্নরোয়শিং লেঙ মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অহানবা মিনট ১৫গী মতম শান্নবা লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং ১৬শুবা মিনটতা লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী লুকাস অলারিওনা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওক্সবর্গপু মখোয়না মাংজিল থাখি। অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদু অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা ওক্সবর্গকী মায়কৈদগী দেনিএল কালিগুরিনা টিমমেট রুবেন বর্গসনা পীরকপা বোল অমদা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী নাদিম অমিরিনা পীবা পাস অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লুকাসনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইহনখি।

শান্নবগী লোইশিল্লকপা ৯০শুবা মিনটতা লিওন বেলিনা লেবরকুসেনগী এটেক অমদা ফংখিবা বোল অদু মতাং মতম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট মোসা দিয়াবিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওক্সবর্গপু বেয়র লেবরকুসেননা পাঞ্জল ৩-১দা থোইরগা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

বুন্দেসলিগাগী ওইনা রাউন্দ ৫ লোইশিল্লকপদা মমাংগী চেম্পিয়ন অমদি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙন্নিবা বেয়র্ন ম্যুনিক পোইন্ট ১২ ফংলগা ২শুবদা লৈরি। রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিকনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মাংজিল থারি।

# এক্সলেন্ট ট্যুটোরিয়ল সেন্টরদসু ‘থাঙ-তাগী নুমীৎ’ পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭(ঐচএনএস): হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা নবেম্বর ১৫ ফাওবা ‘থাঙ-তা দে’ ওবজর্ভেসন কম্মিটি অমদি কিমাক্সনা শীন লাংদুনা থাবুম অমা চুপ্না চথুরক্লিবা ‘থাঙ-তাগী নুমীৎ’কী থৌরম ঙসি ১২নি চনবা নুমীৎ তেলৌদা লৈবা এক্সলেন্ট ট্যুটোরিয়ল সেন্টরনা শীন্দুনা ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা ‘থাঙ-তা ফোর হেল্ঠি নেসন’ হায়বা পান্দমদা সেন্টর অসিগী ওজা, মহৈরোয়শিং লোয়ননা ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী চেয়রমেন ইরোম ইবোমচা অমদি কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট এন অজিৎকুমার মঙাংসু শরুক য়াদুনা মহৈরোয়শিংদা এৱেয়রনেস পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি হায়না থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কনভিনর লাইশ্রম সাইত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর লোয়ননা কিমাক্সকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এন অজিৎকুমার মঙাংনা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎপা মতমদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা লৌগদবা থৌদাং অসুক্কী মতীক য়াম্না য়াম্মী। ইনখৎলক্লিবা লমদম অসিগী নহাশিং ঙসিদি মশা-মশাগী থৌদাং তুংওইনদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা মশানা মশাগী পূন্সিবু মাঙহন্নবা হোৎনরি অমসুং পূন্সিবু করিসু লৈতনা মাঙহল্লি। অদুবু পুম্নমক ঙসিদি হৌখ্রে হৌজিক নহাশিংনা তুমদুনা লৈথোকপগী মতম হেনখ্রে। খুন্নাই অসিগী নহারোলশিং পূন্না হৌরক্তুনা তিঙ্গং-কায়জংদবা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎপগী মতম ওইরে। মতম অমদা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিনা কনাগীসু মীখা পোন দনা মনিং-মখা তম্না শাংলবা চহী কয়া লৈরকখিবদু ইরমদম অসিগী কুপ্লবা মহৈ কাঙলোন ‘থাঙ-তা’ অমসুং থৌনা ফরবা ইপা-ইপূশিং অদুগী মপালননি হায়বসি ঐখোয়না কাউফদে। মরম অদুনা ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্লবা ইশাগী ওইবা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মশান্না কয়া শান্নদুনা মালেম অসিদা হৌজিকসু ইপা-ইপূশিং অদুগী চাদা-নৌদা অমত্তা ৱাৎতনা মতিং লৈনা ইশা-ইউফনা লৈরি হায়বা খঙহনবগী মতম অদু য়ৌরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

# আইপিএলদা শেল থান্নরম্বা ২ বেঙ্গালুরু পুলিসনা ফারে

বেঙ্গালুরু, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): হৌজিক হৌজিক য়ু এ ঈদা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকা মরী লৈননা বেঙ্গলুরু সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ পুলিসনা ঙসি শেল থান্নরম্বা মীওই অনী ফারে হায়রি।

সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ পুলিস বেঙ্গলুরুগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা মখোয়না ফারবা মীওই অনী অদুদগী মোবাইল ফোন অনী অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ১৩.৫ রিকোভর তৌবা ঙমখি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুদি বেঙ্গলুরুগী সাহাকারা নাগারাদা লৈবা মশাগী চহী ৪৮ শুরবা হোস্লা গৌদা অমদি মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ভিয়ালিকাবলগী কোদনদরমপুরাদগী নরশিমহামুর্ঠিনি।

বেঙ্গলুরু সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, ফারবা মীওই অনী অদুনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা শেল থানবদা মাঙলবা মীওইশিংদগী খোমগৎলকপা শেলশিং অদু অকাবা মীওইশিংদা পীননবা হোৎনরম্বনি হায়রি। মখোয়না থানরম্বা শেনফম অদু ফাজিল্লবা মতুং মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়রি।

# সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২০-২১ মথং চহীগী জন্যুৱারী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্লগনি হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মীফম অদুদা টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম গ্রাউন্দশিং অমদি কোভিদ-১৯গী এস ও পিগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়রি।




HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

# রুব্লেব ভিএনা ওপন টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

ভিএনা, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): ওষ্ট্রিয়াগী সিটি ভিএনাদা পাঙথোকপা অর্ষ্টে বেঙ্ক ওপন মীয়াম্মা ভিএনা ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট হায়নসু খঙনরিবা অসিগী ৪৬শুবা এদিসনগী অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ এন্দ্রে রুব্লেব অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

রুব্লেবনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা স্লোভাকিয়াগী নোর্বর্ট গোমবোসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ফ্রান্সকী গেল মোনফিল্স, স্পেনগী শান্নরোয় পাব্লো কারিনো বুষ্টাগা লম্বা তৌনবদা সেট অমা মায়থীরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নবা লোইদ্রিঙৈদা মশা শোল্লকপদগী বুষ্টানা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। মহাক্লা ওষ্ট্রিয়াগী দি নোবাকপু মায়থীবা পীরম্বা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা অনীশুবা রাউন্দ শান্নগনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা বলগেরিয়াগী শান্নরোয় গ্রিগোর দিমিট্রোপনা রসিয়াগী খাচানোবপু মায়থীবা পীদুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখি।

# রোহিট শর্ম্মা শোকপদগী ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টুর য়াওররোই

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেট টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্মা হৌজিক-হৌজিক য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা চথুরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা শোকপদগী ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎকদবা ক্রিকেট টুরগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোরকপদা য়াওরকখিদ্রে।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মায়কৈদগী সেলেক্সন পেনেলনা ঙরাং অথেংবদা লাউথোকখিবা টেষ্ট মেচ ৪, ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচ ৩ অমসুং টি-২০ মেচ ৩গী ওইবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখিবনি।

বি সী সী আইগী লিষ্ট অদুদা রোহিট শর্ম্মা খক্তা নৎতনা ফাষ্ট বোলর ইসান্ত শর্ম্মাসু মশা শোকপদগী লিষ্ট অদুদা য়াওখিদবনি। ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা চহী অসিগী নবেম্বর ২৭তগী হৌরগা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৯ ফাওবা টুর অদুদা পুন্না মেচ ১০ শান্নগদৌরিবনি। মরক অসিদা আই পি এলদা ফজবা ঙন্নিবা হার্দিক পান্দিয়া অমসুং অনৌবা বোলর বরুন চক্রবর্ত্তি টুর অসিদা শরুক য়াগদৌরি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com